# খঞ্জিল্লুরবদি প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম ঙাক্তনি

**মতম মতমগী**

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

খবর (পাউচে) পানীংদ্রে, পাররোই খল্লে, নুমিৎ খুদিংগীদি নত্তে অকক্নবা নুমিৎ অমখক্তগীনি, নোংমাইজিং নুমিৎকী। নুমিৎতুগী পাউচেসু লমায় খুদিংমক পানীংদে হায়জবদি নত্তে। পাউচে অয়াম্বদা নোংমাইজিং নুমিৎ খুদিংগী সাহিত্যগী কাখল (খোরিরোলগী অখন্নবা লমায়) হায়না ফোঙলিবা অদুমদি পানীংলক্ত্রে। লমায় অদুদা য়াওরিবা খুদিংমক পানীংদেসু হায়জরোই। ফজ-ফজবা ৱারেং, শৈরেং কয়া য়াওরি। পাবদা অদুম নুংঙাই, পানীংবা পোকই, পারি অদুবু নুমিৎ অদুগী ৱারীশিংদি অয়াম্বনা পানীংলক্ত্রে। ফজদে হায়বদি নত্তে, মতমসিগা চানবা ফজ-ফজরবা ৱারী কয়া য়াওরি। মতমসিগা চানবা ৱারীশিং অদুনি পানীংলক্ত্রিবসি। কাখল অদুদা ইরকপা ৱারীশিং অসি লোইনমক নৎত্রবসু অয়াম্বনা ঙসিগী খুন্নাই অসিগী ইমুং মনুংগা মরী লৈনবা ৱারীশিংনি। অপোকপা মমা-মপাগা মচা-মমৌগা তিন্নবা য়াদবা, অহল ওইরবা মমা-মপাবু মচা-মমৌশিংনা থৌগল তৌনীংদবা, তৌবীদবা, ফজনা লোয়নবীদবগী ৱারীনা অয়াম্বা ওই। করিগুম্বা মতমদা অপোকপা মমা-মপাবু অহল ওইরক্লবা, পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা, মচা মশুশিংগী মতেং, মথৌ তারক্লবা মতমদা ওল্ড এজ হোমদা থমজিনবীবগী ৱারী কয়া অমসু থেংনখ্রে। ৱারীশিং অদু পারুবদা থম্মোয় কায়দনীংঙাই লৈতে। ৱাখলনা শাগৎপা ৱারী ওইরম্বা য়াই অদুবু অদুগুম্বা থম্মোয় কায়নীংঙাই ওইরবা ৱারীশিং অদু ঐগী থম্মোয়না ৱারী ওইনা লৌ হায়বা য়াদে। হায়নবসু লৈ মদুদি খোরিরোল হায়বসি খুন্নাইগী মিংশেলনি, মদুদা খুন্নাই অসিগী মমি তাই, মসিনা চুল্লবদি পাউচেদা ইরিবা ৱারীশিং অদু অচুম্বা ওইফম থোক্তবরা? ৱারীশিং অসিদা য়াওরিবা করেক্টরশিং অসি অশেংবা ওইরমদবদি য়াই অদুবু ৱারীশিং অদুদি অয়াম্বনা অশেংবা ওইরমগনি (হাপতোক হাপচিন, শেমদোক শেমজিনবুদি য়াওরমগনি) ৱারীশিং অসিনা চুল্লবদি ঙসি ঐখোয়না চাওখৎলে হায়না চাওথোকচরিবা খুন্নাই অসি করম্বা মায়কৈদা চৎলিবগে খল্লুবদা নুংঙাইতবা ফাওই। অসিগুম্বা নুংঙাইতবা, তৌফমসু থোক্তবা থৌদোকশিং অসিগী ৱারীশিং অসি তারুবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে, ঐহাক খক্তনা চুমথোক্লুবসু ঙল্লোইদবনা থম্মোয়দা অনৌবা অৱাবা অমুক হাপচিল্লক্তনবা অসিগুম্বা ৱারীশিং অসি পাররোইসিরা হায়না খল্লকপনিদা। অদুননি নোংমাইজিং নুমিৎকী খোরিরোলগী কাখল অসি পাররোইসিরা হায়না খল্লক্লিবসি।

পাউচেগী ৱারী ঙাক্তসু নত্তে, রেদিওসুনি। ঙসিদি রেদিওসু তাবা য়াম্না নুংঙাইরে। চেনেল অনীদা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম শন্দোক্লবনিনা অপাম অপাম্বা তানীংবা খন খন্দুনা তাবা য়ারে। ঐখোয়গুম্বা পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা, চহী নম্বো পোরবা, পাঙথোক্কদবা-পাঙথোক্লিংবা থবক্লা খুরক হাঙদনা লৈরবসু চোকথরবা পাঙ্গলনা মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমদবনা মতম লেনবদা রেদিওনা পোত্থাফম ওইরি। রেদিও অসি সিনিয়র সিটিজনশিংগীদি থাদোক্লবা য়াদ্রবা মরুপ ওইরে। প্রোগ্রামসু অয়াম্বনা নুংঙাইরে। থবক্কা লৈতবগা (লৈতবদি নত্তে, শুবা ঙমদবনি) পোত্থাবা ওইনা রেদিও অদুম তারে। তাবসু অদুম নুংঙাইরে, পাউচেদগী লৌথোক্লগা পাবা মানবা পাউদুসু অদুম তারে, নোংমগী শোয়দবা লান্দবা য়াদবগুম্না প্রোগ্রাম প্রজেক্টরশিংনা লান্না হায়রক্লবসু চুম্না অদুম তারে। অয়ূক্কী পুং ৯.৪৫ অমসুং নুংথিলগী পুং ২.৩০দা শন্দোক্লিবা য়াইফ য়ূম্বালদা য়ূম্ফম ওইবা লীলাশিং অদুসু তাবা অদুম নুংঙাই, ফজে অদুবু... অদুবু... ফজবা লীলাশিং অদুসু তানীংলক্ত্রে। য়াইফ য়ূম্বালগী লীলাশিং অসি অয়াম্বনা মপা-মমাবু মচা-মমৌশিংনা থৌগল তৌনীংদবা, পীজনীংদবা, নুংশিনা লোয়নবীদবা ঙাক্তা ওইরবরা হায়বা ৱাহং অমা থোরকই। লোইনমক নৎত্রবসু অয়াম্বনা মমা-মপা লাক্লবা লীলা ঙাক্তা ওইনা তৌরে। পাঙ্গল ময়েং তারক্লবা, শুবা নোম্বা ঙল্লক্ত্রবা মচা-মমৌনা য়েংশীনবীগদবা মতমদা থৌওই-ৱাওইনা তৌবীদবগী মওং অসিদি লীলা ওইরবসু কমদৌনা তানীংগনি? তানীংদে। ঐখোয়গী মীতৈ খুন্নাইদি মমাঙঙৌদগী হৌনা মমা-মপা, অহল-লমনবু লুনা তৌজবা অমদি ইকায়খুম্ননা লোয়নরকপা ফূরুপনি, অদুবু পাউচেগী ৱারী অমদি রেদিওগী লীলাদা মচা-মমৌনা মমা-মপাবু নীংথিনা লোয়নবীদবগী মওং অসিদি অফবগী খুদম নত্তে, খুন্নাই অসিদা অওনবা লাক্লবরা, মপান লমগী মমা-মপাগী প্রোপর্টি লৌথোক্লগা অহল ওইশিল্লক্লবা মমা-মপাবু ইন্থোকপগী চৎনবী অদু য়ৌশিল্লক্লবরা হায়বা চীংনদবা ঙমদে।

পাউচেদা য়াওবা খোরিরোলগী কাখল পাদ্রগা, রেদিওগী য়াইফ য়ূম্বালগা মরী লৈনবা লীলা তাদ্রগা সিনিয়র সিটিজনগী মিংথোল ফংলবা মীওইশিংনা মায়োক্লবা ফেমিলি প্রোব্লেমগী পাউ তাররোই খল্লুবনি অদুবু তাইওন্নরে, খল্লম্বদু ওইদ্রে। নহা ওইরিঙৈদা খঙনরমদ্রবসু মতমগী খুদোল ওইনা মোর্নিং ৱাকিংদা পুল্লকপদগী খঙনরকপা মরুপ খরগী ৱারীনা অনৌবা চৈনা অমা অমুক পীরে। অয়ূক খুদিংগী থাঙ্গাল বজার পরিংদা থারিবা ফালদা খঙন-চান্নবা মরুপ-মপাং কয়াগা ফম্মিন্নদুনা মতম লেনবা ওইনা পূন্সিগী অৱা-নুংঙাইগী ৱারী কয়া কয়ানি পাউদম্নরিবা। মচা-মমৌগী ৱারী, লৈকায়গী থৌদোক ৱাথোক্কী, লৈবাক্কী অমদি পোলিটিক্সকী তোঙান তোঙানবা ৱারী কয়া কয়ানি। মরুপ তোম্বগী (ৱারেং অসিদা পঞ্জরিবা মিংশিং অসি অশেংবা নত্তে) মচা-মমৌগা লোন্দিন্নদবগী, ভাই মনিগী মচা থাগৎপগী, ওজা চাউবগী নৌনা শাবা য়ুমগী ৱারী, মরুপ তোমালগী থবক তৌবী মমৌনা নীংথিনা তৌবীদবা, থৌশাবীদবগী ৱারী কয়া কয়ানি। ৱা শুকঙাঙ হেক ঙাঙদনা ময়াম্না ঙাঙলিবা অদু রেদিও তাবগুম তাবসু য়াওই। তূমিন্না তারিবা মখোয়সু ৱারী লৈরম্লোইদবদি নত্তে, অৱা-নুংঙাই অনীমক উথোকনীংদবা ওইরম্বসু য়াই। লীনরিবা ৱারীশিং অদুসু লোইনমক চুম্লমগদ্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মৌগা তিন্নবা য়াদে, মচা-মমৌনা নীংথিনা লোয়নবীদে হায়রিবশিং অদুগী মরাল মচা-মমৌশিংগী ঙাক্তা ওইরমগদ্রা? মনেম-মকুগী অশোয়বদি লৈরম্লোইদ্রা? ফেমিলি ফ্রেন্দস ওইরুদবা, ৱাকিংগী মরুপ ওইরুবনা অশেংবদুদি খঙবা ঙমদ্রে। থাগী পেন্সন ফংলি, মচা-মমৌদা খূৎ তিংথোক্তে হায়না য়ুমদা ঙাঙফম থোক্তবা ৱা ঙাঙবা মমা-মপাদি য়াওরম্লোইদ্রা?

অৱা নুংঙাই অনীমক মীওইবগী পূন্সিগা লোয়নগনি হায়নবসু লৈ। মচা মশু নীংথিনা শেন্নগা মতিক চাবা মী ওইহল্লগা মখোয়গী মপান চাদুনা নুংঙাইনা হিংগনি খন্দুনা মচা-মশু শেম্নরিবা ঙাক্তনি। শেম্ফমসু থোকই, মখোয়দি মমা-মপাগী পূন্সিগী লেংদ্রবা এসেটনি। অদুবু অশা চাউনা শেন্নগা মখোয়না মতিক চারবা মতমদা মমা-মপানা খল্লম্বগী ওন্ন-তৈনবা ওইখিদুনা নীংবা কায়হৌবসু য়াওদবা নত্তে। মচা-মমৌনা মতিক চাবা মী ওইরক্লবা মতমদা মমা-মপাবু মীরাইবীবগী ৱারীদি অনৌবা ওইদ্রে, মতম খরগী মতুংদদি মসি খুন্নাই অসিগী চৎনবী অমা ওইরকপসু য়ারি। হৌজিক চৎনরক্লিবা মওং অসি উরু-তারুরগা হায়জবনি, তুংদা অফবা খুন্নাই অমা ওইহৌনবা ঐহাক্কী প্রিদিক্সন অসি লানবসু ওইসনু। অদুবু মচা-মমৌনা মমা-মপাবু নুংশি-নুংশিনা ফীভম্না য়াদদুনা লাপথোক্লখিবগী ৱারী কয়া অমসু লৈরে।

থেংনখিবা থৌদোক খরা ৱারী ওইনা থমজগে। ইমান্নবা অমগী ৱারীনি, মশক মমিংদি পঞ্জররোই। মচা শেন্বদা মমিং লৈখিবনি। চাবা-চাদবা মচাগী লাইরিক তম্বগীনি হায়রবদি শেল শৎপদা মখূৎ নিকখিদে। মচাশিংসু লাইরিক লাইশুদা থৱায় য়াওই, টৌপ্পরমক ওইখিদ্রবসু শীংথানবা য়ানা ফৈ হায়নখি। মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স অদুনসু প্রুফ তৌরে। মশক নাইবা মী অমমম ওইখ্রে। স্কুলিংসু মপান্দা তৌহল্লকখি হায়। অফবা মহৈরোয় অমগী মমা-মপা ওইনা মখোয়দা ফাওরমগদবা নুংঙাইবা অমদি মচাশিং অদুনা মতিক চাবা মী ওইরবা মতমদা মখোয়গী থম্মোয়দা ফাওরমগদবা পূক্নিংগী ইহুল পাবীরিবশিংনা শাগৎপীয়ু। নুংঙাইরমগনি, নুংঙাইফম থোকই। অফবা মহৈরোয়শিংদি লেম্নসু মাঙদে, চানবা থবক অদুম ফংখিবনা অয়াম্বনি (মপান লমগীনি ঐনা হায়জরিবা অসি, লমদম অসিগীদি ময়াম্না খঙনরিবা অদুনি, ৱাহৈগী মমি তাহঞ্জররোই) মচা অনীমক মপান্দা থবক ফংখি, অমনা আমেরিকাদা, অতোম্বনা বেঙ্গলুরুদা। মচা ফরবনিনা শেলগী অৱাৎপা লৈত্রে, ময়ূম অচৌবা অমসু শারে হায়, অদুবু কোনুংগুম্বা য়ুমদুদা লৈবীনবা মীদি লৈত্রে, হনুবা-হনুবী অনী নত্তনা। থবক ফংলোইদবনা লমদম অসিদা লাকউ হায়বসু য়াদ্রে, মমা-মপাবুদুম মপান্দা লৈরসি হায়রকই হায়, লৈসু লৈরুরে। মতম খরা আমেরিকাদা লৈরুরে হায়। নুংঙাইবরা হংলুববু জেলদা লৈবগা চপ মান্নবু হায়রকই। অৱা-অনা খাঙদুনা চাদ-থক্তনা মচা শেল্লুবা দষা তারেবু হায়রকই। ভাই তোম্বগীসু মহৈ হৈবা মচা অনীনা মপান্দা থবক তৌদুনা লৈখ্রগা লাইরিক তম্মু য়াখিদবা, হায়না তানবা য়াখিদবা মচা অতোম্বদুনা কোনবীরি হায়। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা ৱারী কয়ানি থেংনরিবা। পাবীরিবশিংনা থেংনবীবা কয়া অমসু লৈরমগনি। মসি অফবগী খুদমদি নত্তে। কমদৌনা চুমথোক্কনি? মপান লমদা থবক তৌহল্লরোইসিরা? মপান্দা থবক ফংদনবা লাইরিক তমহল্লরোইসিরা? তল্লবসু কাবক-কাবক তমহল্লগা তোকহল্লসিরা? ওইথোকপা য়াবা সোল্যুশন অমদি নত্তে। লমদম অসিদসু থবক ফংলোই, লমদম অসিদা লৈঙাক্কী থবক অমা ফংবা হায়বসিসু অরায়বা অমদি নত্তে। মুন্না খঞ্জিল্লুরবদি প্রোব্লেমগী প্রোব্লেম ঙাক্তনিদা। ●

# মচু তরেৎকী ফিরাল - ৩

**- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -**

মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা ঈলৈপাক (কংলৈপাক/মণিপুর) অসিগী চীং অমদি তম্পাকলম অনীদা খুন্দারিবা য়েক্ (য়েন্) তরেৎ লৈবা তোঙান তোঙানবা মী কাঙলূপশিং অসিবু মহুৎ শিন্না খঙনহনবগী মথক্তা মখাদা পীজরিবশিং অসিবুসু মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি:-

অহানবদা, চয়োল অমগী মনুংদা লৈরিবা নুমিৎ তরেৎনিবু হায়রিবা মচু তরেৎকী ফিরাল অসিনা মহুৎ শিন্না খঙনহল্লি। মী অমদি অতৈ অতোপ্পা অচৎ-চত্ত থৱায় পানবা পূম্নমকশিংগী পূন্সি-ঈচেলশিং অদুগা ঈরোয়নরিবা পূক্নিং-ৱাখল, থবক-থৌরম অমদি শিল্লম-শিন্থা অহুম অসি হায়রিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিগী তোঙান তোঙানবা নুমিৎ অমমমগী মনুংদা খায়দোক্লিবা তোঙান তোঙানবা মতম অহুম হায়বদি অয়ূক, নুংথিল অমসুং নুমিদাং হায়রিবা অহুম অসিগী মনুংদা লোইনা থোক্লিবনি অমদি পাঙথোক্লিবনি। হায়বদি, তোঙান তোঙানবা নুমিৎ অমমম অদুগী মতাং মতাংশিংনা (অয়ূক, নুংথিল অমদি নুমিদাং অহুম অসিবু নুমিৎ অমমমগী মতাং অহুমনি) অমদি হায়রিবা মতাং অমমমগী মতম তাঞ্জাশিংগা (পুংজাশিংগা) থৱায় পানবশিংগী পূক্নিং-ৱাখল, থবক-থৌরম অমদি শিল্লম-শিন্থা অহুম অদুগা লোয়নদুনা চৎমিন্নরিবনি অমদি হিংমিন্নরিবনি।

মী হায়বসিগী পূক্নিং-ৱাখল লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখল অদুগী মতুংইন্না পাঙথোক্লিবা মী মীদুগী থবক-থৌরম অমদি শিল্লম-শিন্থা ওইবশিং অদু অতৈ অতোপ্পা থৱায় পানবশিংনা হায়বদি শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, কৌজেং-হারৌ, তিল-কাং, তুমিৎ-য়ুরাং, হৈপান-লৈপান, উপান-ৱাপান, নাপী-শিংবী হায়রিবশিং অসিনা খনবা অমদি পাঙথোকপা ঙম্বা নত্তে। মখোয়না অসুম্না পাঙথোকপা ঙমদরিবা অসিগী মরমদি মখোয় অসিনা নীংলিবশিং অদু মপূং ফানা নীংবা ঙমদবা অমদি মী মরক্তা চৎনবা য়াবা লোয়ননা খন্নবা য়াবা ৱা ওইদবা হায়রিবা অনী অসিনি।

মী অমদি শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা থৱায় পানবশিংগুম্না মমায়-মমিৎ, মনাকোং, মনাতোন, মখোঙ-মখূৎনচিংবা পান্দবগা লোয়ননা মপূং ফানা নীংবা অমদি পাঙথোকপা ঙমজদ্রবসু নুংশিবা হৈনম-লৈনম চেনবা হৈরাং-লৈরাংগী পাম্বী মনাক্তদি মী হায়বসিনা চংলুরি। মী হায়বা কাঙলূপ্তুদা কান্নবা পীগদবা নাপী শিংবীগী মনাক্তসু চংলুরি। মালেমগী অঈং-অশাগী চাং চানা থম্বদা শরুক য়াজরিবা পামেল-উপাল ওইবশিংগী মনাক্তা চংশিন্দুনা পামেল মসাবু খূৎনা শোকচরগা লৈপক্তা (লাইবক্তা) কৎচবগী চৎনবী ঙাক্লকখিবা মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপনি।

মখোয় অসিগী মনাক্তা চংলুরিবগী অতোপ্পা মরম অমদি মখোয় অসিনা মী অমদি অতৈ অতোপ্পা থৱায় পানবশিংগী মফমদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অৱাবা পীদবা অমদি খুদোংথিবা নংহন্দবা অসিনি। মসিগী মথক্তা, মখোয় অসিদি ঈবু খৌলাংবা হায়বদি ঈখৌলাংবা অদুগুম্বা মখলগী থৱায় পানবশিং নত্তে। হায়রিবা হৈপান-লৈপান, উপান-ৱাপান, য়েনসাং-য়েনলম, মরোই-মপাং (মাইলোই-মাইপাং), নাপি-শিংবী (নাইপি-শিনপি) অসিনচিংবশিং অসিগী মশা-মশাদা চেল্লিবা অমদি ময়োন (মাইয়োক) ওইবশিংদা য়োক্তুনা থল্লিবা ঈ ওইবশিং অদুদি লৈচা-ঈশিন্ (লাইজ-ঈশিং) ওই হায়বদি থৱায় পানবা পূম্নমক্কী মশা মনুং মনুংশিংদা চংদুনা লৈজবদা (লৈ) তিন্নবা চান্নবা য়াবা (চা) ঈ ওইনা (ঈ) মহুৎ শিনবা য়াবা (সিন্) ওই হায়বনি।

মখোয়গী মশা-মশাশিং অদু মী অমদি মখোঙ মরি পানবা শা অমদি মসা পানবা উচেক-ৱায়ানচিংবগী মসা-মসাশিংদা চেল্লিবা অমদি মখোয় মখোয়গী থম্মোয় থম্মোয়শিংদা তুংদুনা লৈরিবা অঙাংবা ঈগী মনম চেন্দবনি। মতম পূম্নমক্তা মখোয় অসিদি ঈশেংদা শেংনা অমদি মশানা মশাবু ঈরু-ঈশেং (ঈলুম-ঈশেং) তৌদুনা লৈজবনি হায়বদি মথক্তা পঞ্জখিবা লৈচা-ঈশিন/লাইজ-ঈশিং অদুনা (ঈ) মপুং ফানা লুম্না লৈরকপদগী (লুম্) অতোপ্পা অঙাংবা ঈ অমত্তগা (ঈ) য়ানশিন্নদনা শেংনা তরু তরুনা লৈরকপনি (সেং) হায়বনি।

মখোয়না হোন্দোরকপা নিংশা শ্বর (নিংশা শোন্) অদুদি মী হায়বদুগী থৱায় ওইরিবনি হায়বদি মী অমমমনা হিংনবদা চংনরিবা অশেংবা নুংশিৎ (ওক্সিজেন) ওইনরিবনি। অমরোমদনা মখোয়না হোন্দোরকপা নিংশা অদু মী অমমমনা খনজিনবা য়াবা ওই হায়বনি।

মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্না অয়ূক অমদি নুমিদাং অনীগী চাকলেন (চাংলেং) মমাঙগী মতমদা ঈরু-ঈসেং (ঈলুম-ঈসেং) তৌরবা মতুংদা হায়রিবা অয়ূক অমদি নুমিদাং অনীগী চাকলেন (চাংলেং) চাবগী চৎনবী অমদি হৈনবী লৈনরকই। থৱায় পূম্নমকশিংগী অমত্তা ঙাইরবা অনী শুনা লৈতবা থৱায় ওইনদুনা মালেমদা লৈরিবা থৱায় পানবা পূম্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা মপু (মাইপু) ওইবিরিবা হায়বদি থৱায় পানবা পূম্নমকপু মায়ওক্নুনা (মাই) পুবিবা (পু) ওইবিরিবা অতিয়া (আতিন্য়া) অমদি হায়রিবা থৱায় পানবা পূম্নমকপু মায়ওক্নুনা য়োকপী-থাকপীদুনা (মাই) অহিংবা অমদি আলেংপা (লেং) ওইহনবীরিবী মাইলেং (মালেম্) হায়রিবা ইপা-ইমাই (ইপা-ইমা) অনীবু মথংশিৎনা থৱায় ওইবিবগী অমদি য়োকপী-থাকপীবগী তৌবিমল উৎপা ওইনা মখোয় অনীবু ঈহান হান্না নীংশিংজরগা চাংলেং (চাকলেন্) অদু কৎচরগা চাবগী হৈনবী অমদি চৎনবী লৈরকই।

অসুম্না মীতৈ/মৈতৈ কাঙলূপ্না ঈরু-ঈসেং তৌজরিবগী মরমদি শা ওইবা হকচাংদা ঈগী মনম নমদনবা হোৎনজদুনা ঈখৌলাংবা পোক্তনবা হায়বদি 'শা' অমদি 'শাহিং ঙাকহিং চাপা' (শাহিং ঙাহিং চাবা) অনীগী পূক্নিং ৱাখল, হৈনবী লিচৎ অমদি লমচৎ-শাজৎ হায়রিবশিং অসি চেন্নরক্তনবা হোৎনজবগা লোয়ননা উপাল-ৱাপাল, হৈপাল-লৈপালনচিংবা অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদা অয়েৎ-অপন, অকাই-অতোই, য়ৈখাই থিনগাইবনচিংবা থোকহন্দনা শেংনা লৈজবা অদুগী মতৌ তমজবনি। অশেংবা লৈরগদি অচুম্বা ফংই। অশেংবা অমদি অচুম্বা অনী পুল্লগা অওইবা ওইরকপা ঙম্বা মী অদুবুনি 'মীওইবা' হায়না কৌনগদৌরিবসি। চাক্‌চামাংদা অতিয়া (আতিন্য়া) অমদি মালেম (মাইলেং) অনীবু নীংশিংজবা অদুদি মালেমদা লৈরিবা থৱায়পানবা পূম্নমক্তা থৱায় হাপ্পীরিবা/পীবিরিবা অদুতমক অনীশুনা লৈতবা মিৎনা উরিবা অতিয়া অমদি হায়রিবা থৱায় পানবশিংবু য়োকপী থাকপীরিবী অদুগুম্বী অনী শুনা লৈতবী মিৎনা উরিবী মালেম্ হায়রিবা মখোয় অনী অসিবু নীংদনা কনাবু নীংগদগে অমদি নীংফম থোকপনি হায়বা অসিগুম্বা অনী শুনা লৈতবা মখলগী অচুম্বা অসিবু চৎচদুনা তৌবীমল খঙদবা শাগী ৱাখল অদুদগী লাপথোকপা তমজবনি। ●

# ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দেনা লাকপদা

**- কাংজম হেমন্ত -**

মালেমগী মফম কয়াদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা খুন্দা লৈতাদুনা মশাগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনরক্লবসু মুৎখিবা য়াবগী চৈথেং নংহন্দুনা মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী তুংলমচৎকী মমি শামথরক্লি। মালেম লৈকোইপুং অসিদা চাইনা-চাইনা লৈরিবা য়েলহৌমীশিংনা ঙসিসু মীশিং য়ামজদ্রবা, মপাঙ্গল শোল্লবা অমসুং তুহৎপীরবা মীওইবা কাঙলূপশিং ওইনা হিংলি। লৈঙাক পথাপকী চৎন-কাঙলোন্না তশেংনা ঙাকপী শেনবীদবদগী য়েলহৌমী ফূরুপ কয়ানা মালেমগী লৈমায়থক্তগী মূৎখ্রে, অদুগা ফূরুপ কয়া অমনা ঙসি মুৎখিবা ঙাইনা হিংলি। লোয়ননা কংলৈপাক্কী য়েলহৌমী ইফূরুপশিংনা মশানা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা মশাগী ফংফম থোকপা হক ফংবদি লায়রদনা তুহৎপীবনা মরম ওইদুনা মশাগী শক্তম নোংম-নোংমগী মাঙথরকপা, মুৎথরকপা হেল্লকপদা মীপাইবা অমদি নুংনাংবা পোকই। ঐখোয়গী য়েলহৌমীগী হক খোঙ্গাওনবনা ঐখোয়গী নুপীশিংগী শক্তি লৈতবা, অকক্লবা শেন্মীৎলোনগী মেনেজমেন্ট মাঙবা, চীঙ্গাক্কী সিক্যুরিটি, মহৌশাগী নাৎ-কলচর ৱাখল ঙাক শেনবা, ফূরুপকী অপূনবা শক্তম নৈননীংঙাই ওইরক্লি। লম লৈত্রবা নুপী কয়া মহৌশাগী শেন্মীৎলোন্দা ফংলক্তবনা অতম্নরা শিন্মী, ত্রাফিক্কিং মীনাই ওইবা মায়কৈদা ফোঙনা শীংনরক্লি। অসিগুম্বা চৈনা-চৈথেং পুনা-পুনা য়েলহৌমীশিং অসিনা মালেমগী মীয়ামগী মীৎমাংদগী তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লকখিবা মমল য়াম্লবা ইপা-ইপুগী কলচরেল হেরিটেজশিং অসিবু মশামক্কী মপু ওইনা শেন্নদুনা লৈরক্লিবা অসিগী অশেংবা মমল খঙলক্তুনা মালেমগী থাক্তা পাক শন্না শৌগৎনরকপা অসিবুদি অফবা খোঙথাংনি অমদি ইকায়খুম্নফম থোকই।

য়ু এন জেনরেল এসেমব্লিনা কুমজা ১৯৯৪গী ওগষ্ট ৯বু 'ইন্টরনেশনল দে ওফ দ ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপল' হায়না শকখঙদুনা চহীগী থৌরম পাঙথোক্লগসু মণিপুরগী য়েলহৌমীগী ফীভমদি হেন্না ফত্তবা মওংদা লাক্লি। লমদম অসিগী মীওইশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফত্তবনা অমদি অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লিঙৈদা, লমদম অসিগী নুপা-নুপীশিং য়ূম থেংনা পান্নবনা অঙাং লীক্লা পোকপনা ঐখোয়গী মীশিং হন্থরক্লি। অমরোমদা লায়রবা ইমুংদা পোকপা মচা নিঙোলশিংদি হৌজিক লমদম অসিদা চৎনরিবা লুহোং-কৈহোংবগী চৎনবীসিদা ইনাকখুনবা ইমুংশিংনা মপান লমগী মতৌ তমদুনা খূৎচাউ থাদুনা লুহোংনরকপা মসিগী চৎনবীসিনা লুহোংবা কিনরক্তুনা ময়ূম-মকৈ পান্দবা ফাওবা য়াওনরে। মসি অফবা খুদম অমদি নত্তে। মসিগীসু মথক্তা ডাক্তরশিংনা মখোয়গী শেল খরা ফংনবা সী এস তৌথোকপনা মমা ওইবীশিংনা অঙাং মশীং হন্থনা পোক্লবগী মরম অমসু ওইহল্লি। মশা মশাখক শেঞ্জাও পায়দুনা খুন্নাই অসিদা নুংঙাইনা হিংনীংবদগী লমদম অসিদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক পুশিল্লক্তুনা, করবার তৌদুনা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদবা ইনখৎলক্লিবা নহা কয়াবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওহন্দুনা পূন্সি মাঙহন্দুনা য়েলহৌমী মূৎথৎনবা হোৎনরি, মসিদগী কন্নবা লৈঙাক্লা অকনবা




মীৎয়েং চঙবীগদবনি অমদি তুংদা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী লাপথোক্তুনা পূন্সিবু কন্নবা হোৎনগদবনি। হৌজিক ঐখোয়গী ইনখৎলক্লিবা নুপামচা, নুপীমচা কয়া ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী ঈপাক্তা তাওবা হেনগৎলক্লি। অদুনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী অমাঙ অতোং স্কুলগী সিলেবসতা হাপ্পীদুনা অঙাংশিংদা নীংথিনা খঙহনবা মতম ওইরব্রা খঞ্জে।

ঐখোয়গী মীওইশিং ৱার্ক কলচর মাঙলকপনা মপান লমদগী মীতোপশিং চঙশিল্লক্তুনা লমসিদা হিংনবা লম্বী থিররি। অমরোমদা, লমদমসিদা ভোট লেপ্পীরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংনা মখোয়গী ভোট ফংনবা হোৎনবদা মপান্দগী চঙশিল্লকপা মীতোপশিংবু ভোটর লিষ্টতা হাপচিন্দুনা লমদমসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহল্লক্লি। হৌজিক্কী লমদম অসি য়েলহৌমী নত্তবা মীতোপশিংনা নোংম-নোংমগী ঈশিং-ঈচাওগুম মশীং হেনগৎলক্লি। মরকসিদা ঐখোয়গী চনু নিঙোলশিং মীতোপ্তা য়ূম পানশিন্দুনা মীতোপশিং লমদমসিদা লৈহনবগী খুদোংচাবসু পীরি। মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবা চৎনরিবা আই এল পি মমিং খক্তগী ওইনা উজে, উতোং অহোবগুম্বনি। য়েলহৌমীগী লম অমসুং মহৌশাগী শেন্মীৎলোন ঙাকশেনবা, ঐখোয়বু হিংহনবা, থাজবা পীনবা তকশিনবগা লোয়ননা নুপী অমসুং নহাদা হাৎপা-তুপ্পগী মরম, মরম তাক্তনা ফাবা, ওৎপা-নৈবা, মাঙহনখিবা, শাশিন্নবা কাপ্নবগী মরুমদা হাৎপদগী কন্ননবা তকশিন্দুনা লাক্লি। ঐখোয়গী য়েলহৌ ফূরুপনা মশানা মশাবু য়েংশিনজবগী চৎনবী থাদোকহন্দুনা গভর্ণমেন্টনা খুন্নাইগী হক ওইনা ঙাকপী-শেনবীবগীদমক পোলিসি শেম্বনা ইন্দিয়াগী দেমোক্রেটিক পোলিসিদা হক কনবগী অচুম্বা ওইগনি।

লোইশিল্লকপদা, হৌজিক্তি ঐখোয় য়েলহৌমীগী ফীভমসে নোংম-নোংমগী ফৎচিল্লক্ত্রবনিনা মতম কয়াগী মমাঙদগী চত্থদুনা লাক্লিবা ফেমিলি প্লান্নিং অসি অমুক হন্না য়েংশিনবীবা মতম ওইরে খঞ্জে। ঐখোয়সু শুবা-নোম্বা কন্দুনা শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবসু মথৌ তারক্লি। আই এল পি মপূং ফানা চৎনহনবগা লোয়ননা মীতোপ খনে দাক্তুনা, ভোটর লিষ্টতগী লৌথোকপীদুনা মীতোপশিং মরমদমদা হলহনখিদুনা ঐখোয়গী য়েলহৌমী মশীং হেনগৎনবা হোৎনবীগদবনি। মদু নৎত্রবদি য়েলহৌমী ঐখোয়সে নোংমদি লৌ মপু য়োংনা তানবগুম লমদমসিদগী মূৎখিবা য়াবগী অকিবা অদু লৈরক্লি। ত্রিপুরাদগী ত্রিপুরিশিং মাঙখিবগুম ঐখোয়সু মাঙখিবা য়াই। জিরিবামদা মীতোপশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা থিংহৌদবদগী খুন্দা লৈতাহনখিবদগী হৌজিক্তি পোলিটিকেল পৱার মীতোপ্না পায়খ্রে। মসিগুম্বা চৈথেংসে ঐখোয়সু ফংলক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। য়েলহৌমী মূৎশিল্লকপা হায়বসি ঐখোয়গী নাৎ কলচর, আইদেন্টিটি পূম্নমক মাঙখিদৌরিবনি। অদুনা তুংগী মীরোলগী খল্লগা ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবা মতম ওইরব্রা খঞ্জে। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৯গী ৱাহং**

১) "থাংজম স্বরুপচান্দ সর্দার সঙ্গীতরত্ন" হায়বা ৱারেং অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপা ৱারেংনি। ৱারেং অসিগী অইবসি কনানো অমসুং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "অরক্ষনীয়া' হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং অমসুং মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "ঈথক্কী মথংদা ঈপোম" হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদা য়াওবনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবা অসি কনানো?

৪) "থৱান থানা লাকপদা  
লৌবুক্কী ঈশৈ শকচরে  
ফৌনাগী জগোয় য়েংজরে  
ঐসু ৱাখল হোংজরে।"

লিরিকেল পোইম অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু?

৫) "মণিপুর কৌবী ইমা ও" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।